# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৫৪

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

*এপ্রিল ১৩, ২০০৯ :* কোংগ্রেস ওফিসতা বোম লংশিনবনা কোংগ্রেস পার্টিবু নমথবা ঙম্লোই হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি তমেংলোংগী নোনে লোংমৈ কম্মন গ্রাউন্দদা নুংবা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা মীটিং অমদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, কোংগ্রেসকী ওফিসতা বোম লংশিনবা অমসুং কোংগ্রেস ৱার্করদা কিহনবগী থবক মতম খরদি মায় পাকপা য়াই। অদুবু মদুনা কৈদৌনুংদা কোংগ্রেসপু নমথবদি ঙমগদবা নত্তে।

থৌরমদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা হায়, লৈবাক কায়নবা থবক তৌরগা হরাউজবা খরগী থৌশিলনা মীয়ামদা চরাংনবা থোকহল্লিবসি লৈবাক ফননবা, মীয়াম ফননবা অমসুং মণিপুর ফগৎনবা থবক নত্তে। কোংগ্রেস পার্টিনা চীং-তম নুংশি চান্না পূন্না হিংমিন্নবা, থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা অমসুং ইমোসনেল ইন্টিগ্রিটি পুরক্নবা হোৎনরি। কোংগ্রেসতা ভোট পীবনা খ্বাইদগী শোখ্বা দিষ্ট্রিক্ট তমেংলোংবু খ্বাইদগী চাওখৎপা দিষ্ট্রিক্ট ওইহনবা ঙমগনি। কাঙলূপ-ফুরুপকী খেন্নবা থিদনা মীয়াম্না কোংগ্রেসতা ভোট পীবিয়ু।

*এপ্রিল ১৩, ২০০৯ :* আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি এ সীগী মনুং চল্লিবা এসেমব্লি সিট ২৮গী মীওইশিংগী তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতিশিংগী শক্তম, কলচর কলহৌনবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জিরিবাম সব দিভিজনগী মীয়াম্না মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা শিংনরক্লিবা চরানামৈবু মায়থীবা পীনবা মীয়াম হুপ্না ভোট থাদরসি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট দিমান্দ কাউন্সিলগী চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

*এপ্রিল ১৬, ২০০৯ :* ঙসি পাঙথোকখিবা ১৫শুবা লোক সভা মীখলগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ খন্নবগীদমক অপূনবা ভোট্তরগী চাদা ৭০.২০ রোমনা অয়ূক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোট থাদনখ্রে।

মপূং ওইনা ঈং-তপ্না ভোট থাদনখ্রবসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা পামদবা থৌদোক মচা খরা থোকখি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা চাউরাক্না চাদা ৯৫গী চাংদা ভোট থাদনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৪৭/১ অমসুং ৪৭/২দা প্রিসাইদিং ওফিসর অনী এন এস সী এন (আই-এম) গী কেদরনি চিংনবশিংনা পোল্লিং ষ্টেসন্দগী ফাদুনা পুখ্রে হায়রি।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনী লৈবা চান্দেলগী অপূনবা ভোট্তর ৯১,৪০৬ লৈবদা ৭৪৪৬৮ হায়বদি চাদা ৮১.৪৭ ভোট থাদখি। এ সী অহুম লৈবা উখ্রুলগী ভোটর ১০০৯৯৪ লৈবদা ৭০৬৯৬ হায়বদি চাদা ৭০ ভোট থাদখি। এ সী ৭ লৈবা (আউটরদা চনবা) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অপূনবা ভোট্তর ১৮৫০২৯ লৈবগী মনুংদা ভোট্তর মশীং ১১১০১৭ হায়বদি চাদা ৬০ ভোট থাদখি।

কেন্দ্র ৬ লৈবা সেনাপতিগী অপূনবা ভোট্তর ১৩৯৭৪৭ লৈবদা ১১১৭৯৭ চাদা ৮০ ভোট থাদখি।

এ সী ৩ লৈবা তমেংলোংগী ভোট্তর ৭৮১২৬ লৈবদা ৫৮৯৯৩ চাদা ৭৫.৫১ ভোট থাদখি।

এ সী ৬ লৈবা চুড়াচান্দপুরগী ওইনা অপূনবা ভোট্তর মশীং ১৭৫৬৯৬গী মনুংদা ১০৩৫৬০ চাদা ৫৯ থাদখি।

এ দি সী কাংপোকপীগী ওইনা অপূনবা ভোট্তর ১০৪৫৩৬ লৈবগী মনুংদা ৮৮৯৪১ হায়বদি চাদা ৮৫ ভোট থাদখি।

পোল্লিং ষ্টেসন ৩দি ভোট হন্না থাদনবা লেপ্পরে হায়রি। মখোয়দুদি সাইটু এ সীগী মনুং চনবা ৫১/৪৮ দোলাং খুনৌ জুনিয়র হায় স্কুল, উখ্রুলগী ৪৪/৪০ নুংশোং অমসুং ৫৩/৯ তমেংলোং হেদ ক্বার্টরনি। দোলাং খুনৌগীদি শকখঙদবশিংনা ঈ ভি এম লাকখিবনি। নুংশোংগীনা ঈ ভি এম থুগায়রম্বা অদুগা তমেংলোংগী অদুনা পি দি এগী সপোর্টরনি চিংনবশিংনা পোল্লিং পার্সনেলশিংবু কিহন্দুনা অয়ূক পুং ৯ তাবা অদুৱাইদা ভোট থাদবা লোইথোক্লম্বগীনি হায়রি।

*এপ্রিল ১৭, ২০০৯ :* শকখঙদবশিংনা ঈ ভি এম লাকখিবা, থুগাইরম্বা অমদি নম্ফুদ্দা ভোট থাদবনা মরম ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা আউটরগী লোক সভা মীখলগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪দা হয়েং অয়ূক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোট অমুক হন্না থাদনরগনি। হয়েং ভোট হন্না থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা সেক্যুরিটিনা চয়োম শানা ঙাক্নবা শেম শাখ্রে হায়রি। হন্না ভোট থাদনগনি হায়না লাউথোকখ্রবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি ৫৩/৯ তমেংলোং হেদ ক্বার্টর-এ, ৫১-৪৮ দোলাং খুনৌ জুনিয়র হায় স্কুল (সাইটু এ সী), ৪৪/৪০ নুংশোং খুল্লেন (উখ্রুল) অমসুং ৫৯/৩০ তুইবোং নোর্থ ৱেষ্ট (সাইকোট এ সী) নি।

*এপ্রিল ১৮, ২০০৯:* ৯শুবা বিধান সভাগী মীখলদা অন্দ্রো কেন্দ্রদগী কারকখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমার ঙসি নুংথিল মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী লেমজনফম ওইরবা দেপ্যুটি স্পিকরগী ফমদগী রিজাইন তৌবগা লোয়ননা কোর্টতা চঙজখ্রে। কোর্টনা মহাকপু মে থাগী ২ ফাওবা জুদিসিএল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

টি ঐচ শ্যামকুমারনা দেপ্যুটি স্পিকরদগী ফম থাদোকখিবগী চেরোল অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা স্পিকর ডা. সাপম বুধিচন্দ্রদা পীশিনখি। লোয়ননা পুঙ্খায় অমগী মতুংদা মহাক জে এম আই সী (জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস) ইম্ফাল ৱেষ্টতা চঙজখি।

মহাক কুমজা ২০০৬কী ওক্টোবর ২দা দেল্লি পুলিসনা ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী লালহৌলূপ অমগা মরী লৈনৈ হায়বা মরালদা ফাজিনখিবনি। লোয়ননা মহাকপু এদিসনেল সেসন্স জজ টিস হজারি দেল্লিনা ইন্টরিম বেল পীখিবা অদুসু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৭তা মতম লোইখ্রবনি।

টি ঐচ শ্যামকুমারনা ঙসি রিজাইন তৌদুনা কোর্টতা চঙজদ্রিঙৈ মাঙওইননা মেজোর খুনদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাকপু কুমজা ২০০৬কী ওক্টোবর ২দা দিল্লি পুলিসনা ফাদুনা মরাল শিরগা ঙসি ফাওবা ত্রায়ল চথদনা লৈরক্লিবসিগী মতাংদা অচুম্বা বিচার ফংনবগীদমক দেপ্যুটি স্পিকরগী ফম থাদোক্তুনা কোর্টতা চঙজরগনি হায়খি।

মহাক্না হায়খি, অসুক কুইবা মতম অসি ত্রায়ল চথদনা লৈরকপা অসিনা পূক্নিং ৱাখলদা হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা পীরে। ইন্দিয়াগী ফজরবা কন্সটিট্যুসন্দা অমসুং মীয়ামগী মমায়দা মহাক্না মরম ওইদুনা অমুবা কালি তৈদনবা হায়দুনা মোরেল গ্রাউন্দদা দেপ্যুটি স্পিকরগী ফম অসি থাদোকপনি হায়খি।

*এপ্রিল ২০, ২০০৯ :* ১৫শুবা লোক সভা মীখলগী অনীশুবা ফেজ ওইনা লাক্লিবা এপ্রিল ২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টকী কন্সটিট্যুএন্সিগী মীরেপশিংগী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মীখলগা মরী লৈননা ঙাঙনরম্বা, চৈনরম্বা, হুন্নরম্বা পূম্নমক পূমচিক চিকখ্রে।

ভোট্তর ৮,২৬,৫৩৯না ভোট থাদদুনা নুপী মীরেপ অমা য়াওবা মীরেপ তরেৎকী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। ভোট্তর ৮,২৬,৫৩৯গী মনুংদা নুপী ভোট্তরনা ৪,৩৪,৮৯৪নি।

*এপ্রিল ২২, ২০০৯ :* ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলদা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী অপূনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩২দা চাদা ৬৮.৪৬কী চাংদা ভোট থাদনখ্রে। মীখল অসিসু থাংমৈবন্দ এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ভোট থাদনরিঙৈদা নূং লংশিল্লকপগী থৌদোক খরা নত্তনা থোইদোকপা ঈরাং থোকপগী পাউ লৈখিদে। অমরোমদা ওপরেসন সম্মর ষ্টোর্মনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরুবা মীওই অয়াম্বসু ভোট থাদনখি।

*এপ্রিল ২৫, ২০০৯ :* অন্দ্রো এ সীদা কোংগ্রেসনা নম্ফুদা ভোট থাদখ্রে হায়বা ৱাফমদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা সী পি আইনা ঙসিদগী ৱাকৎ মীফম চথবা হৌখ্রে। অমরোমদা ঈ সী আইগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরদা ৱাকৎলুনবগীদমক ঙসি এম পি পিগী লুচিংবা ৪ দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এম পি পিগী লুচিংবা মরি অদুদি - এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ডা. এল চন্দ্রমনি, এম এল এ ও জয়, এম এল এ ডা. ইবোহনবী অমসুং মীরেপ ওইরিবা এক্স এম পি টি ঐচ চাউবনি। মীওইশিং অসিনা কোংগ্রেসনা অন্দ্রো এ সী অমসুং থৌবাল এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা নম্ফুদা ভোট থাদহনখিবা লোয়ননা হায়পর সেন্সিটিভ পোল্লিং ষ্টেসননি হায়না লাউথোকখ্রগা পোল্লিং ষ্টেসনশিংবু নোর্মেল ওন্থোক্লগা খূৎলায় পায়দবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স থমজিনখি হায়বা থৌওং অদুগী মতাংদা খুদম চাংদমগা লোয়ননা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরদা খঙহল্লুগনি হায়রি।

*এপ্রিল ২৬, ২০০৯ :* মীখল লোইখ্রবা মতুংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৱাকৎলক্লিবা অসি চৎনবা য়াই নৎত্রগা য়াদে খঙদবা পার্টি অমনা হেক্তা তৌবা য়াবা অমসুং লোইবা নাইরোইদবা অমনি। ৱাফম অসিদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লেপচগদবনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

*এপ্রিল ২৬, ২০০৯ :* কোংগ্রেসনা ভোট থাদবদা নম্ফু চথখি হায়বা মরালদা অন্দ্রোগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অমসুং থৌবালগী পোল্লিং ষ্টেসন ৫ পূন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৬তা নৌনা মীখল পাঙথোক্তগদি ভোট মশীং থিবদা য়াওহনগনু হায়না সী পি আইগী লুচিংবা সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

*এপ্রিল ২৬, ২০০৯ :* অন্দ্রো এ সী অমসুং থৌবাল এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেসনা নম্ফু শাসন্দা ভোট থাদখ্রে হায়বা দাবীগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি এম পি পিগী ৱার্করশিংনা চীফ ইলেক্সন ওফিসর মণিপুর ওইরিবা শম্ভু অমসুং আর ও ইম্ফাল ইষ্ট ওইরিবা এম লক্ষ্মীকুমারগী ইফিজিশিং মৈ থাখ্রে। লোয়ননা হয়েং ন্যু দেল্লিদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর নবিন চৌলাগা উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা তকশিনগদৌরি হায়রি।

*এপ্রিল ২৭, ২০০৯ :* দেল্লিদা লৈরিবা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) গী লুচিংবশিংনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর নবিন চৌলা অমসুং ইলেক্সন কম্মিস্নরগা উনদুনা অন্দ্রো এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ রিপোল তৌনবা তকশিনখ্রে। তকশিনবা অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদি রিপোল তৌবা য়াবগী থাজবা লৈরে হায়না পার্টি অসিগী লুচিংবা এম এল এ ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।

*এপ্রিল ২৭, ২০০৯ :* হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা লেফ্ট কোর্দিনেসন কম্মিটিগী মীরেপ ওইখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী ডা. এম নর অমসুং কো কনভেনর ক্ষেতিয়মযূম শান্তনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর নবিন চৌলা উনদুনা অন্দ্রোগী পোল্লিং ষ্টেসন খরা রিপোল তৌনবা তকশিনগনি হায়রি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## খোঙজং চঙশিল্লসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুর* বিধান সভাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ লৈরিবসিগী মনুংদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কয়ানা চাওখৎ মায়কৈদা অথোই অহেন তান্নরক্নবা মতমসিদা হিয়াংলম এ সীনা শোখনা লৈরিবা এ সীশিংগী মনুং চন্না লৈরি। খুদম ওইনা এ সী অসিগী নোংচুপ থংবা জোন সেকমাইজিন্দগী তোকপচীং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী ফীভম ওন্থোক্না ফৎত্রে। লোয়ননা এ সী অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অনকপদা লায়েংফম লৈতবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা মচা-মশু লাইরিক তমহনবগী মতাংদা লৈঙাক্কী স্কুল অয়াম্বা শিথখিবদগী লন্নাই স্কুলশিংদা লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা লায়রবা কাঙলূপ্না থেংনরিবা অৱাবশিং লোয়ন-লোয়ননা নোংমগী খূৎশুমলনা হিংজরিবা শিল্লঙ লৌমীশিংগী থবক অয়াম্বা মতমগী মেছিন্না শূখিবদগী শূফম নোম্ফম লৈরক্তবদগী ককঙাওনরক্লিবা লায়রবশিং পূম্নমক অসি খঙ-উরুবদা নীংবা কায়নীংঙাইগী মশকনি। লমদম অসিগী ওইনদি মহৌশা লাইরেম্বীনা থম্বীরম্বা চীং, পাৎ, তুরেল, লম্মাং লমজাও মরাং কায়না লৈরি। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিরগা চান-চানবা থবক মীয়ামগা লোয়ননা পায়খৎপীরবদি চাওখৎ খোঙজেলদা মাঙজিল থাবা য়ারিবা এ সী অমা ওইগনি। মরম অদুনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা সেনিয়র সিটিজন খরগী লমজিং মখাদা অওনবা পাম্বা অমসুং তুংগী য়াইফনবা খনবা সোসিএল ৱার্করশিংগা লোয়ননা এ সী অসিগী মফম শিনবা থুংনা পোলিটিক্সকী খেন্নবা থমদনা অপূনবগী পাঙ্গল অমা শাগৎলবা তুংদা মখাগী দাবীশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা অকনবা খোঙজংগা লোয়ননা পুখৎলসি।

দাবীশিং অদুদি :-

১) হিয়াংলম এ সীগী নোংচুপ থংবা জোন, সেকমাইজিন্দগী তোকপচীং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী-থোং মতমগা চাননা অথুবা মতমগী মনুংদা শেম্বীয়ু।

২) ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর লৈঙাক্না ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ময়ায় থোকপা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাগদবা ৱাইখোং থোংজাউদা থম্ফম থোকই হায়দুনা মরী লৈনবশিংনা ইনক্বারি ফাওবা তৌখ্রবা অদুবু হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈবিরিবসি অথুবা মতমগী মনুংদা লাউথোকপীয়ু।

৩) পুমলেন পাৎ অমসুং খোইদুম পাৎ অনী অসি ইথায় দাম শাদ্রিঙৈ মতমদা লৌউবা অমদি ইঙ্খোল কোয়বগী শিনফমদা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লম্বনি। মতৌ অদুগুম্না হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিন্নবা শিনবীয়ু।

৪) লৈঙাক্কী স্কুল খুদিংমক মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপীয়ু।

৫) ফান্দু চীংগী চীংশাং পরেং উমং য়োকখত্তুনা হান্নগুম ঈশিং মরাং কায়না থোক্নবা হোৎনবীয়ু।

৬) এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ মীয়াম খঙনা শীজিন্নহল্লু।

*অদোমগী - (১) এলাংবম যদুমনি*
*(কনভেনর, সেনিয়র সিটিজেন, এলাংখাংপোকপী)*
*(২) তোলচৌ শমজেৎশাবম*
*( কনভেনর, সেনিয়র সিটিজেন, থোংজাও)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*

**OFFICE OF THE**
**STATE HEALTH SOCIETY, MANIPUR**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 29th January2019

**No.594/01/NHM-19(HR):-** The following approved contractual posts under State Health Society, NHM, Manipur have fallen vacant and are hereby advertised for recruitment. In this regard, a Walk-in-Interview will be held shortly at NHM, Medical Directorate, Lamphelpat for selection of suitable candidate on contract engagement of the following posts under State Health Society, NHM, Manipur for eleven (11) months, which may be extended based upon their performance.

Interested candidates having the requisite qualification and experience may submit their application in the prescribed format, enclosing their bio-data along with 2 (two) recent passport size photographs.

Application forms will be available at this Directorate w.e.f **02-02-2019** to **14-02-2019** during office hours on payment of **(a)** Rs. 500/- (rupees five hundred) only for General, **(b)** Rs.300/- (rupees three hundred) only for OBC, **(c)** Rs.200/- (rupees two hundred) only for ST & SC and **(d)** Rs.100/- (rupees one hundred) only for PWD. Application forms will be received from **04-02-2019** during office hours upto 4 P.M. of **16-02-2019.**

| Sl. No. | Name of Posts | No. of Contractual Posts | Minimum Educational Qualification | Remuneration fixed by FD/PIC's norms |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Consultant PH (State) (NVBDCP) | 1 | PG in PSM/Community Medicine/Public Health with 1-3 years of experience in the area of specialization, of which at least one year should be in public Health Programme or MBBS with 15 years and above experience in National Health Programme. | Rs. 22,200 + PBH |
| 2 | State Consultant M&E (NVBDCP) | 1 | PG in PSM/Community Medicine/Public Health with 1-3 years of experience in the area of specialization, of which at least one year should be in public Health Programme. | Rs. 13700 + PBH |
| 3 | DEIC Managers | 2 | Master's Degree in Sociology/MBA/Social Work preferably with two years experience | Rs. 13700 + PBH |
| 4 | District Adolescent Health Program Manager | 4 | Master's Degree in Sociology/MBA/Social Work preferably with two years experience | Rs. 13600 + PBH |
| 5 | Accountants for DH | 1 | Master's Degree in Commerce/ MBA(Finance) preferably with 2 years working experience | Rs. 8000+ PBH |
| 6 | DVBD Consultant (District) | 1 | Post Graduate degree in Zoology/Entomology/Life Sciences. For life sciences candidates, Zoology is a must as one of the subjects at graduate level. Experience of working in a health programme is desirable. | Rs. 13700 + PBH |
| 7 | District PPM/ ACSM Coordinator (RNTCP) | 1 | Master's Degree in Sociology/MBA/Social Work preferably with two years experience | Rs. 13600 + PBH |
| 8 | District Data Manager (IDSP) | 1 | Post Graduate Qualification in Computer Science or BE in IT/Electronics, with minimum 3 years experience preferebly in Health Sector | Rs. 13600 + PBH |
| 9 | Malaria Technical Supervisors (MTS) | 4 | Graduate in Biology stream. In areas where a candidate with desired qualification is not available a Graduate with Science subject in Class XI and XII will be considered. Qualification can be relaxed with exceptional cases. Should have a valid two wheeler driving license and should be preferably from the same district for the post he/she applied. | Rs. 8,000 + PBH |
| 10 | Accountant (RNTCP) | 1 | Master's Degree in Commerce/ MBA(Finance) preferably with 2 years working experience | Rs. 8,000 + PBH |
| 11 | TBHV (RNTCP) | 2 | Graduate/10+2 with experience of working as MPW/LHV/ANM | Rs. 7,100 + PBH |
| 12 | District epidemiologists - medical | 3 | MBBS or Master in Public Health or equivalent | Rs. 13700 + PBH |
| 13 | State Urban Health Consultant | 1 | Master in Health Science/PG Diploma in Public Health with 3 yrs experience in the field. | Rs. 13700 + PBH |
| 14 | Accountants (NUHM) | 3 | Master's Degree in Commerce/ MBA(Finance) preferably with 2 years working experience | Rs. 13500 + PBH |
| 15 | ANM | 47 | Passed Female Health Workers course with permanent registration certificate | Rs. 7100 + PBH |
| 16 | Staff Nurse | 72 | Passed GNM course with permanent registration certificate | Rs. 8000 + PBH |
| 17 | PHN | 2 | B.Sc. Nursing with permanent registration | Rs. 13600 + PBH |
| 18 | OT Technician | 8 | 2 yrs Diploma in Operation Theatre Technology after 10+2 (Science) or equivalent | Rs. 7100 + PBH |
| 19 | Pharmacist (allo) | 5 | B. Pharm/D. Pharm | Rs. 8000 + PBH |
| 20 | OBGY | 1 | MD(Obst. &Gynae) | Rs. 22,200 + PBH |
| 21 | Pediatricians | 2 | MD (Paediatric) | Rs. 22,200 + PBH |
| 22 | Anesthetists | 2 | MD(Anesthesiology) | Rs. 22,200 + PBH |
| 23 | Surgeons | 2 | MS(General Surgeon) | Rs. 22,200 + PBH |
| 24 | Medical Officers | 8 | MBSS with permanent Registration certificate. | Rs. 22,200 + PBH |
| 25 | Doctor (General Physician) | 2 | MD(Medicine) | Rs. 22,200 + PBH |
| 26 | Dental Surgeon | 1 | BDS with permanent registration certificate | Rs. 14,700 + PBH |
| 27 | Medical Officer AYUSH | 3 | BAMS/BUMS/BSMS/BHMS & BNYS with 4 years experience and permanent registration Certificate | Rs. 14,700 + PBH |
| 28 | Pharmacists AYUSH | 23 | DHMS/Diploma in Homeopathy or Diploma in Ayurveda/one year Diploma in panch-karma or Unani medicine or Yoga and Nature Cure from recognized institution with registration certificate | Rs. 7100 + PBH |
| 29 | RMNCH/ FP Counsellors/Adolescent Health Counsellors/Counsellor (NCD) | 7 | MA Sociology/ MA Psychology | Rs. 8000 + PBH |
| 30 | Clinical Psychologist, NMHP | 1 | Master in Clinical (preferably M. Phil in Clinical Psychologist) or MA Psychology or Applied Psychology | Rs. 13500 + PBH |
| 31 | Instructor for Hearing Impaired Children, NPPCD | 9 | 10+2 with 2 yrs Diploma in Special Education (Hearnig Impariment) | Rs. 8000 + PBH |
| 32 | Psychiatric Social Worker, NMHP | 1 | Master in Social Work (preferably with specilisation in Psychiatric social work or M. Phil in Psychiatric Social Work | Rs. 13700 + PBH |
| 33 | Case Registry Assistant, NMHP | 1 | Graduate with computer knowledge | Rs. 7100 + PBH |
| 34 | Refrigerator Mechanics | 4 | Minimum of 12 months' Refrigeration Mechanic or equivalent .course in a recognised Technical Institute and must have served one year's apprenticeship in reputed firm or organisation of Air Conditioning and Refrigeration Engineers. | Rs. 8000 + PBH |
| 35 | Ward Assistant/ Orderlies, NMHP | 1 | Class X passed | Rs. 5740 + PBH |
| | **Total Posts** | **229** | | |

***Age Limit:*** 38 years/below. [*Upper age limit is relaxable for Govt. Servants as per rule, 5 years relaxable for SC/ST candidates and 3 years for OBC candidates and upto 65 years for posts under Sl. No.1,2 and 20 to 25*].

***Reservation:*** Reservation will be provided as per the reservation policy of Government of Manipur.

1. Local candidates with domicile certificate fulfilling the eligibility norms may be given preference.
2. State Health Society, NHM, will not be held responsible for any postal delay. No correspondence in this regard shall be entertained by NHM thereafter.
3. The decision of State Mission Director, NHM, Medical Directorate, Lamphelpat (Manipur) on selection of candidates will be final and binding. No correspondence in this regard shall be entertained.
4. The number of positions may be increased or decreased as per the actual requirement of the State Health Society, NHM, Manipur.
5. The details of the interview/viva-voce and issue of admit card will be notified later and may also be available on our official website www.nrhmmanipur.org

*Sd/-*
**Dr. S. Manikanta Singh**
State Mission Director
State Health Society, Manipur

*HL-B/5163/30,31&1 Feb.*